# কার্বর-প্লিস্কোভা নুপীগী, মরে-সিলিকনা নুপাগী সাদর্ন এন্দ ৱেষ্টর্ন ওপনগী ফাইনেলদা থেংনরগনি




সিনসিনাটি, ওগষ্ট ২১ ঃ
ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন চেম্পিয়ন এঞ্জেলিগ কার্বরনা মফম অসিদা চত্থরিবা সাদর্ন এন্দ ৱেষ্টর্ন ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা সিমোনা হালেপপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী পন্থুং য়ৌগদবা মেচ অমখক মায় পাক্কদবদা ঙাইরে।

অমরোমদা মফম অসিদা চত্থরিবা টুর্ণামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা এন্দি মরেনা কনাডাগী মিলোস রাওনিকপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

নুপী সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা অনীশুবা সীদ কার্বরনা অহুমশুবা সীদেদ রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপপু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা কার্বরনা কারোলিনা প্লিস্কোভাগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি। জর্মন অসিনা প্লিস্কোভাবু মায়থীবা পীবা মথৌ তারি। করিগুম্বা মহাক্না স্পিস্কোভাবু মায়থীবা পীরবদি সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা থংন-থংননা চয়োল ১৮৩ মায় পাক্তুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইদুনা লাকখিবা খোঙচৎ অদু লোইশিলহন্দুনা মহাক্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমুক ওইবা ঙম্লগনি।

অমেরিকান অসিনা ষ্টেফি গ্রাফনা থমখিবা রেকোর্দ অদু য়ৌগদবা চয়োল অহুম ৱাৎলি অদুগা মশাগী চহী ২৮ শুরবা জর্মন অসিনা ফাইনেল মেচ অদু মায় পাল্লবদি মহাক্কী পুৱারী শেন্বা ঙম্লগনি।

ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদল লৌবা ঙম্বদা নত্তনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা ৱিল্লিয়মসগী মখুৎতা রন্নরস-অপ তাহৌখিবী লেফ্ট হেন্দর কার্বরনা হায়খি, ঐনা হৌজিক মেচ অমখক্তমক শান্নগদবদা ঙাইরে। ঐনা মসিগী মরমদা চয়োল অসিদা খল্লুবা তৌদে। অদুবু মীওই খুদিংমক্না মদুগী মরমদা ঐঙোন্দা হংলকখি। করিগুম্বা মসি থোক্লরবদি, মসি অঙকপা হায়বদু ওইগনি অদুবু ঐনা হৌজিক মথংগী শান্নগদবা মেচতা মিৎয়েং থম্লি। প্লিস্কোভাগা শান্নগদৌরিবা মেচ অসি য়াম্না টফ ওইবা হায়বদু ওইগদৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চেক্কী ১৭শুবা সীদেদ অমদি বিগ-সর্ভিং প্লিস্কোভানা সেমী ফাইনেলদা স্পেনগী ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজাবু নক্কৎনা শান্নখিদুনা ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। কার্বরনা প্লিস্কোভাগা য়েংনবদা ৪-২ দা মায় পাক্তুনা কৃক কৃক ইন্ননা চৎলিবনি।

কার্বরনা সেমী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট শান্নবা হৌরকপদা নোংচুবনা মরম ওইদুনা মিনিট ৩০ থেংথহনখি। মখা তানা শান্নবা হৌরকখিবদা ৩-৪ দা রোমানিয়নগা ইন্ননা লৈখ্রবসু মেচ অদু কার্বরনা দোমিনেট তৌনা চৎখি অমদি মেচ অদু ষ্ট্রেট সেটতা মায় পাকখি।

অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলস মেচকী সেমী ফাইনেলদা এন্দি মরেনা কনাডিয়ন মিলোস রাউনিকপু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী থংন-থংননা তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইখি।

ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমদি ৱিমব্লেদনগী ফাইনেলদা রাওনিকপু মায়থীবা পীরমখিবা মরেনা মহাক্কী কেরিয়রগী ২২শুবা থংন-থংননা মায় পাকপা ওইনা মরিশুবা সীদেদ কনাডিয়ন অসিবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম অমা ওইরিবা যু এস ওপন পাঙথোক্কদবা নুমিৎ মাপননিদা ঙাইরবা টুর্ণামেন্ট অসিগী শেম শাবগী থবক চঙশিল্লিবা টোপ সীদ মরেনা কুমজা ২০১৪ গী যু এস ওপন চেম্পিয়ন ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক্কা লম্বা তৌদুনা ফাইনেলদা শান্নরগনি।

সিলিকনা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভপু ৪-৬, ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিল্লকখিবনি।

# ব্রাজিলনা জর্মনিবু মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক ফুটবোলগী গোল্ড মেদল লৌখ্রে

## নেয়মারনা ব্রাজিলগী কেপ্টেন ওইবদগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকখ্রে




রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ২১ ঃ
নেয়মারনা মায় পাকপগী চনখিবা পেনালটিনা ব্রাজিলনা মফম অসিগী রিও মারাকানাদা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নুপাগী ফুটবোল ফাইনেলদা জর্মনিবু পেনালটিদা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা ব্রাজিলগী অহানবা ওলেম্পিক ফুটবোলগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা বার্সেলোনাগী ষ্টার নেয়মারনা মখোয়গী লৈবাক্না অহানবা ওইনা ওলেম্পিক ফুটবোলগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লবনা লৈবাক অসিগী নেসনেল টিমগী কেপ্টেন ওইবদগী পোত্থারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নেয়মারনা মহাক্কী লৈবাক্না থাংজ নুমিৎতা জর্মনগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা নুপাগী ফুটবোলগী ফাইনেল মেচতা পেনালটি শুট-আউটতা ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখ্রবা মতুং স্পোর টিভিদা হায়খি, ঐগী লৈবাক্না চেম্পিয়ন ওইরে হায়না ঐনা চাউথোক্না হায়বা ঙম্লে অমদি ঐগী কেপ্টেন ওইবগী আর্ম বেন অসি লৌথোক্তুনা শিন্নজরে হায়না ফোঙদোকখি।

ঐনা মায় পাকপগী ঈকায়খুম্নবীবা অমদি নুংশিবীবা অদু ফংলে। মসি কেপ্টেন অমদা পীবা ঈকায়খুম্নবা অদুনি। অদুবু ঙসিদগী ঐহাক কেপ্টেন অমা হায়বদুদি ওইররোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহী অনীগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপকী সেমী ফাইনেলদা জর্মনিনা ব্রাজিলবু ৭-১ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখিবা অদুগী লমন খুন্বা ওইনা ঙরাং শান্নখিবা ওলেম্পিক ফুটবোলগী ফাইনেল মেচ অদুদা যুম্বু ব্রাজিলনা জর্মনিবু পেনালটি শুট-আউটতা ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক ফুটবোলগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলনা মখোয়গী ফুটবোলগী পুৱারীদা ওলেম্পিক্কী গোল্ড লৌদুনা অমত্তা ঙাইরবা মেজর টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইরে। বার্সেলোনাগী ষ্টার নেয়মারনা টোপ কোনরদা থাজিনখিবা পেনালটি শুট অদুনা গোল ওন্থোকখিদুনা মতম শাংনা ওলেম্পিক্কী ফুটবোলদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমদনা লাকখিবা অদু লোইশিনহনখিদুনা অনৌবা পুৱারী অমসু শেমখি। নেয়মারনা গোল হেক চনখ্রবা মতুং মমিৎতগী মপি তানা কপ্তুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মেচ অদুবু য়েংখিবা য়াম্লবা মীয়াম্না ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা অমদি নেয়মারনা মহাক্কী মরৈবাক্কীদমক্তা ৱানা হোৎনজখিবা অদুদা মমিৎতগী মপি তানা কপ্পখি।

রিওগী মারাকানা ষ্টেদিয়মদা মীওই ৭৮,০০০ না চোন্না তিন্দুনা য়েংখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মাপল্লক জমাইকাগী গোল্ড মেদল লৌখিবা স্প্রিন্ট ষ্টার উসেইন বোল্টসু য়াওখি। ব্রাজিল অমদি জর্মনি অনীগী মেচ অদু অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নরকখি। টিম অনীগী পুক্নিং চোইথোকপা য়াদ্রবা মেচ অদুদা যুম্বুগীদমক য়াম্লবা ব্রজিলিয়নশিংনা হরাউ মথোই কানা নেয়মার এন্দ কোদা লাউ-খোংদুনা মতিং হাপখি।

ব্রাজিলনা হাফ মমাঙদা ফংখিবা ফ্রি-কিক অমা য়ার্দ ২৫ দগী ব্রাজিলগী কেপ্টেন নেয়মারনা অকনব শাফুগা লোয়ননা থাজিনখিবা বোল অমনা মায়োক্নখিবা জর্মনিগী নেটতা চঙখিদুনা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। নেয়মারনা গোল চনখ্রবা মতুং অয়েংবা মীয়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা ওলে, ওলে, ওলে নেয়মার হায়দুনা হৌনা লাউ-খোঙদুনা ষ্টেদিয়ম অদু পুল্লাং লাংখি।

অনীশুবা হাফতা জর্মনসু তপথবা তৌদনা ব্রাজিলগী মায়কৈদা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌদুনা তকখৎলকখি। ব্রাজিলসু জর্মনগী মায়োক্তা অথিংবা পীনবা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎতুনা শান্নরকখি। জর্মননা অঙকপা ফংনা তকখৎলকখিবগী মহয়না জেরেমি টোলজানগী ক্রোস অমদা কেপ্টেন মেক্স মেয়রনা নিংথিনা ওক্লগা ব্রাজিলগী পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

টিম অনীনা মখা তানা মায় পাক্ননবগীদমক শান্নরকখি। টিম অনীগী হেঞ্জিন্নবা য়াদ্রবা প্লে অদুদা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নহনখি। অদুবু মদুদসু টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদবদগী পেনালটি শুট-আউট চত্থখি।

পেনালটি শুট-আউট অদুদা জর্মনগী নিলস পেটরসেনগী বোল অদু ব্রাজিলগী গোলকিপর ৱের্ভর্টননা থিংখিদুনা অরেম্বা তাহনখি। যুম্বু ব্রাজিলগীদমক মরেংবান্দা চাউরবা পোৎলুম অমা থাঙ্গৎতুনা লৈরিবা নেয়মারনা মায় পাকপগী পেনালটি অদু টোপ কোনরদা শাফু কন্না কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ব্রাজিলবু মথুম-মরাং হৌহনখি।

নিংশিংবা য়াই মারাকানা ষ্টেদিয়ম অসিদা চহী অনীগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপতা জর্মনিনা লিওনেল মেসিগী অর্জেন্টিনাবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

অমরোমদা রিওগী মিনৈরাও ষ্টেদিয়মদা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদলগী প্লেদা নাইজেরিয়ানা হোন্দুরাসপু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। নাইজেরিয়াগী মায় পাকখিবা অসিনা ফুটবোলদা ওলেম্পিক্কী মেদল অহুম্লকশুবা ওইনা লৌবা ঙম্বসু ওইখি।

অফ্রিকান নেসন অসিনা কুমজা ১৯৯৬ তা অটলান্টাদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসদা অর্জেন্টিনাবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। কুমজা ২০০৮ গী বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসদা নাইজেরিয়ানা অর্জেন্টিনাগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদল ফংখিবনি।

নাইজেরিয়াগী গোলশিং অদু সাদিগ উমরনা মেচকী মিনিট ৩৪ অমদি ৫৬ চৎপা মতমদা গোল অনী অমদি অমিনু উমরনা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখি। হোন্দুরাসকী গোল অদুনা মেচকী মিনিট ৭১ চৎপা মতমদা এন্টোনি লোজানো অমদি ফর্সেলো পেরৈরানা মেচকী মিনিট ৫৬ চৎপা মতমদা চনখি।

# রসিয়ানা ওলেম্পিক্কী নুপী হেন্দবোলগী, সাউথ কোরিয়ানা নুপী গোল্ফকী গোল্ড মেদল লৌখ্রে




রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ২১ ঃ
রসিয়ানা মফম অসিদা চত্থরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপী হেন্দবোলগী ফাইনেলদা ফ্রান্সপু ২২-১০ দা মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

রসিয়ানা অনীরক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নোর্ৱেবু সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদা অমুক্তফাওবা মায়থীবা য়াওদনা চঙলকখিবনি। টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ফ্রেঞ্চপু য়াম্না লাকচনা তৌদুনা ২২-১০ দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চনা রন্নরস-অপ তাহৌদুনা সিলভর মেদল ফংখি। নোর্ৱেনা ব্রোঞ্জ মেদলগী প্লেদা নেদরলেন্দসপু ৩৬-২৬ তা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

অমরোমদা সাউথ কোরিয়াগী পার্ক ইন-বীনা মফম অসিদা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী গোল্ফতা ন্যুজিলেন্দগী লেদিয়া কোবু ষ্ট্রোক মঙাদা মায়থীবা পীদুনা চহী ১১৬ কী মনুংদা অহানবা ওইনা নুপীগী ওলেম্পিক গোল্ফ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

পার্কনা ফাইভ-অন্দর-পার ৬৬ য়ৈদুনা টুর্ণামেন্ট অদুদা সিক্সটিন অন্দরদা লৈখি। ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কোনা এলেভেন অন্দর-পারদা য়ৈখিদুনা সিলভর মেদল লৌখি অদুগা চাইনাগী ফ্রেঙ্ক শানশাননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান পার্কনা মহৌশাগুম শিংথানিংঙাই ওইনা শান্নরক্তুনা হোল ১৮ চঙবা ঙমখি অমদি মহাক্না মহাক্কী তৌবা ঙম্বা থৌনা অদু উৎপা ঙমখিবগীদমক মখুৎ থাঙ্গৎতুনা হরাউবা ফোঙদোকখি।


মহাক্কী মায় পাকখিবা অদুনা মরু ওইবা চেম্পিয়নশিপ তরেৎ য়াওনা অপুনবা চেম্পিয়নশিপ নিপান মায় পাকপা ঙম্বসু ওইখি। মহাক্না সাউথ কোরিয়াগী নুপী গোল্ফরশিংগী মমাঙ থানা লৈবসু ঙমখি।

সাউথ কোরিয়াদা অতৈ লৈবাকশিংগা মান্নদনা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফায়র মশিং য়াম্না লৈবা ওইরি। সাউথ কোরিয়াগী ওইনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়র ওইবা মরি লৈরে। চয়োল অমগী মমাঙদা পার্কনা হায়খি, ঐখোয়না রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল পুরগা ইয়ুম লমদম সিওল পাংগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পার্কনা টুর্ণামেন্ট অদুগী ইরাই নুমিৎকী শান্নখিবা প্লেগী সেকেন্দ রাউন্দ ফাওবা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কোনা অথুবদা পার্কপু নক্কৎলম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা মকোক থংনা অমুক চৎখি। ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক মঙাশুবদা লৈরিবা পার্কনা থাংজ নুমিৎতা ষ্ট্রোক অনী মায় পাকখিদুনা কোদগী মাঙজিল থাদা চৎখি। অদুবু মহাক্না অথুবদা বার্দিজ মঙা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমখিদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

কুমজা ১৯০৪ দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্সতা বৃটেনগী জষ্টিন রোজনা অহানবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ১৯০০ গী ওলেম্পিক্সতা নুপীগী ইভেন্ট ওইনা হাপচিল্লকখি। পেরিসতা পাঙ-থোকখিবা ওলেম্পিক গেমস অদুদা যু এসকী মার্গরেট অব্বোটনা টুর্ণামেন্ট অদুগী নাইন-হোলদা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

# বৃটেনগী নিকোলাস অদামনা ওলেম্পিক বোক্সিং টাইটল অমুক হন্না ফংবা ঙম্বা অহানবা নুপী ওইখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ২১ ঃ
বৃটেনগী নিকোলাস অদামনা মফম অসিদা চত্থরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী বোক্সিংদা মায় পাকখিদুনা ওলেম্পিক বোক্সিং টাইটল অমুক হন্না ফংবা ঙম্বা অহানবা নুপী ওইদুনা পুৱারীগী লমায়দা মহাক্কী মমিং চনবা ঙমখ্রে।

অদামনা ফ্লাইৱেঠকী ফাইনেলদা য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা ফ্রেঞ্চকী সরাহ ঔরাহমাউনবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

পনবা য়াই, কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা অহানবা ওইনা নুপীগী বোক্সিং অসি হাপচিনখি। ফ্রেঞ্চকী সরাহ ঔরাহমাউননা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদলনা চিনাগী রেন কানকাননা লৌখি। চিনাগী রেন কানকান অসি অদামনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সকী নুপীগী বোক্সিং ফাইনেলদা মায়থীবা পীরমখিবনি। অদুগা রিও ওলেম্পিক্স গেমসকী সেমী ফাইনেলদসু অদামনা রেন কানকানবু মায়থীবা পীখি অমদি কলম্বিয়াগী ইনগরিট ভেলেন্সিয়াবুসু মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা অমদি অঙাঙবা খোঙ্গ্রাউ শেৎপা অদামসনা ঔরাহমাউনবু য়াম্না লাকচনা তৌদুনা নক্কৎখি। মহাক্না ফ্রেঞ্চ ৱিমেন অদুদা মনম-মনম নোৎশিনখিদুনা খুৎ হনবা ঙমহনখিদে। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল লৌখিবী অমদি মিদিয়াগী মিৎয়েং চিংশিন্নফম ওইখিবী অদামনা রিও গেমসদা মীয়ামগী খ্বাইদগী পাম্নবা নুপী বোক্সর ওইখি।

মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা অমুক হন্না মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মহাক্না মহাক্কী ওপোনেন্টতা শাফু কল্লবা পঞ্চশিং পীশিনখিদুনা খুৎ হনবা ঙমহনখিদে। অহুমশুবা রাউন্দসু ইখেন-খেন্নদনা অদামনা নক্কৎতুনা চৎখি। অদামগী শাফু কল্লবা ওইনাগী পঞ্চনা ঔরাহমাউনগী মমায়দা পীশিনখিদুনা বাউট অদুদা খুৎ হনবা ঙমদনা কুন্থদুনা খাঙখি।

ফ্রেঞ্চকী ৱিমেন অসিনা মহাক্কী লৈবাক্কী অনীশুবা ওলেম্পিক বোক্সিংগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা বোক্সর অমা ওইননবা চঙশিল্লকখিবনি।

মহাক্না ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা বাউটতা ইষ্টিল্লে মোসেলেজবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক খোঙ থাংজিনখিবনি।



অদামসনা ফ্রেঞ্চ ৱিমেনবু খুৎ হনবা ঙমদনা লাকচনা তৌখ্রবসু ফ্রেঞ্চ ৱিমেন অসিনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা পোইন্ট লৌনবা হোৎনরকখ্রবসু অদামসনা কান্নবা অমত্তা লৌবা ঙমহনখিদে।

বাউট অদুগী অরোইবা অমদি মরিশুবা রাউন্দদা অদামনা মহাক্কী ওপোনেন্টকী শাফু কল্লবা ওই অমদি য়েৎকী হুক্না মনম-মনম পীশিনখিদুনা মখা তানা খুৎ হনবা ঙমদনবা হোৎনখি। অদুবু ফ্রেঞ্চকী নুপী অসিনা অদামগী মবুক অমদি মনাকোং ময়াদা অকনবা শাফুদা থিনখ্রবসু হৈ-শিংলবা অদামনা লৈথোক-লৈশিন তৌদুনা পালহনখিদে।

অদামসু হনবা লৈতনা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টকী মখদাং, মমায় অমদি মবুক্তা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হঞ্জিন-হঞ্জিন থিঞ্জিনখিদুনা মখা তানা শান্নবা ঙমদনবা হোৎনখি।

মহাক্না মহাক্কী শাফু কল্লবা ওইগী পঞ্চনা পীশিনখিবা শাফু অমদা ফ্রেঞ্চকী নুপী অদু লৈমায়দা তুখি। তুংদা রেফ্রিনা বাউট অদু লেপহনখিবগা লোয়ননা অদামসনা মায় পাক্লে হায়দুনা মখুৎ থাঙ্গৎখি। মহাক্না মায় পাকখিবদা মমিৎতা মপি তানা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা বাউট অদুবু য়েংখিবা মীয়ামবুসু থাগৎখি।

# ইন্দিয়ন ব্যুজিনেসমেননা সিন্ধুদা লুপা মিলিয়ন ৫, সক্সিদা লুপা মিলিয়ন ২.৫ গী শেনফমশিং পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ২১ ঃ দুবাইদা লৈবা ইন্দিয়াগী ব্যুজিনেসমেননা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ তা মেদলশিং লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সিলভর মেদলিষ্ট বেদমিন্টন প্লেয়র পি ভি সিন্ধুদা লুপা মিলিয়ন ৫ অমদি ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট রেষ্টলর সক্সি মালিকতা লুপা মিলিয়ন ২.৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা চহী ৪০ হেন্না যু এ ঈদা বেজ তৌদুনা লৈরকখ্রবা মুক্কাটু সেবাষ্টিয়ননা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নহা ওইবতা নত্তনা রিও ওলেম্পিক্সা সিলভর মেদল ফংবা অহানবা নুপী ওইবা ঙমখ্রবা সিন্ধুদা পীগদবা প্রাইজগী শেনফম লাউথোকখি হায়না গল্ফ ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

চৈরক অসিদা ওলেম্পিক্কী রেষ্টলিংদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী মেদল লৌবা ঙম্বা নুপী রেষ্টলর অমসু ওইবা ঙমখ্রবা সক্সিদসু প্রাইজ পীগনি হায়নসু লাউথোকখি।

সেবাষ্টিয়ননা হায়খি, নুপীমচা অনী অসিনা রিওদা ইন্দিয়াগী মায় ঙাকখ্রে। ঐনা মখোয় অনীগীদমক চাউথোকপা পোকচৈ অমদি মখোয়বু শেনফমশিং পীদুনা ঈকায়খুম্নবা পামই। ঐ শেল পায়বা মীওই অমা নত্তে। অদুবু ঐনা ঙম্বা অদু ফাওবদি তৌগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কেরলাগী কোট্টায়াম দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকখিবা সেবাষ্টিয়ননা কেরলাদা মুক্কাদান প্লান্টেসনগী মপু ওইবতা নত্তনা বেঙ্গলুরুদা ওটোবান কার রেন্টেলসু তৌরিবনি। মহাক্না হায়খি, মহাক্না গোল্ড মেদল লৌরকপদা লুপা মিলিয়ন ১০ পীননবা থমখি অমদি সিন্ধুনা শেনফম অসি ফংগনি হায়না মহাক্না আশা তৌখি। মহাক্না কোচিদা ইন্দিয়াগী মায় পুরকখ্রবা ওলেম্পিক্কী মেদলিষ্টশিংবু ওক্ননবা থৌরম অমা শিন্দুনা পাঙথোক্ননবা থৌরাং তৌরি।

পনবা য়াই, রিও ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধু অমদি ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সক্সি মালিকতা মথংশিংনা লুপা ক্রোর ২ অমদি ক্রোর ১ পীরগনি হায়না দেল্লি গভর্ণমেন্টনা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

দেল্লিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মানিশ সিসোদিয়ানা হরিয়ানাগী রোহতকতা লৈবা সক্সি মালিককী ময়ুমদা অয়ুক্তা চত্তুনা মহাক্কী অহল-লমনশিং উনখি অমদি ওলেম্পিয়ন অনীদা পীগদবা শেনফমশিংসু লাউথোকখি। মহাক্না দেল্লি ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (দি টি সি) দা বস কন্দক্টর ওইনা থবক তৌরিবা সক্সিগী অপোকপা সুখবীর মালিকপু মহাক্কী ফমদগী অহেনবা প্রোমোসন পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা সিন্ধুদা লুপা ক্রোর ২ পীগনি অদুগা সক্সিদনা লুপা ক্রোর ১ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। ওফিসল অদুনা মখা তানা হায়খি, সিসোদিয়ানা লাউথোকখিবা অদুদা ওলেম্পিক্তা গোল্ড মেদল লৌরকপা এথলেটশিংদা লুপা ক্রোর ৪ দেল্লি গভর্ণমেন্টনা পীরগনি হায়নসু লাউথোকখি।

শট্টলর সিন্ধুনা রিওদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্সতা সিলভর মেদল ফংখি। মহাক অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী অহানবা ওলেম্পিক গেমসদা সিলভর মেদল লৌবা অহানবা নুপীসু ওইরে। হৌখিবা যুমশকৈশা নুমিৎতা মশাগী চহী ২৩ শুরবী সক্সিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ঙাইনদুনা লাকখিবা রিও ওলেম্পিক গেমসগী মেদল অদু লৌখি। মহাক্না রেষ্টলিংগী কে জি ৫৮ গী কেটগোরিদা মহাক্কী লম্বাবু প্লে ওফ বাউটতা ৮-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

## পি ভি সিন্ধুদা য়াম্লবা শেনফমশিং পীগদৌরি

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২১ ঃ রিও ওলেম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী এথলেট ওইখ্রবা পি ভি সিন্ধুদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং, এসোসিএসন অমদি লন্নাই ফার্মনা য়াম্লবা শেনফমশিং পীননবা লাউথোকখ্রে। টেলঙ্গনা গভর্ণমেন্টনা পি ভি সিন্ধুদা লুপা ক্রোর ১, মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা লুপা লাখ ৫০ অমদি দেল্লি গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ২ পীগনি হায়না লাউথোকখি। অমরোমদা হায়দ্রবাদ দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসন্না লুপা লাখ ৬০ পীবা বি এম দব্লিয়ু কার অমা, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা লুপা লাখ ৫০, বিজয়ৱাদাদা বেজ তৌবা টোপ জেৱেল্লরি শো রূমনা মহিন্দ্র এস যু ভি অমা অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না লুপা লাখ ৫ পীগনি হায়না লাউথোকখি।

HL-B/3272/21,22&23

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION ANNOUNCEMENT
For Regular Course NEET 2017
Freestudentship for GEN, ST & SC available for student securing high marks in NEET 2016
First Come First Served
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Airport Road Imphal